## GAS NEWS

**CANCHI INDANE SERVICE BOOKINGUPTO 07/05/2025**
VALID FROM. 13/04/2025
14kg,10kg,19kg & 5kg
UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
TIMING 08.00 to 10.00am
GAS LOUBA MATAMDA REGISTER TOUBA MOBILE PUTHOKPIYU

**MANIPUR GAS SERVICE, Booking 17/04/2025**
Valid from 25/03/2025
Home delivery only
Time: 8am to 2pm

**SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK BOOKING UPTO 30-03-2025**
VALID FROM 20-03-2025
**STK 342**
TIME 8:00 -10:00
DELIVERY DATE 14-05-2025

**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE BOOKING UPTO 25/04/25(Sl.No.01 to 50)**
VALID FROM 17/04/25(Sl.121 )
TIME: 09 AM TO 12 PM
Any enquiry and booking Contact no. 7629045883

**M/s K&K INDANE SERVICE,**
home delivery only
**Booking uptodate**
Call Timing: 8am To 11noon
*URIPOK,THANGMEIBAND, LANGOL- Imphal East. Singjamei. 9362663937
SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 8787530107 / 9863654574 / 9774213728 /9089519886.
Tiddim line / Mayai lambi 87946 84988
TAKYEL LANGJING,PATSOI AREA 8258856407 / 8257085221
KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837

**IMPHAL LPG SERVICE**
Home Delivery Only
**Booking Upto Date**
Office contact no. 9362654114
Whatsapp no. 9863624773
Time:8.30 am to 12.30 pm
Available 10 kg, 5kg, 19 kg

**KHUMBONG INDANE Booking upto 18-04-25**
Only home delivery sarvice
Office no.9774068549
Home delivery contact no.8974511936
Message no.8974511936
**Stock.324**
Time 7.30am to 10.am

**KHORIPHABA NAMBOL Bk upto date**
Timing 7am to 10am

**PATSOI INDANE BOOKING UPTO - 28/03/2025**
VALID FROM - 21/03/2025
ONLY HOME DELIVERY WITHIN 5 DAYS
TIME- 9AM TO 11AM
OFFICE ENQUIRY NO. 9774031231/8414967694

## HL Poll

Q : MLA amasung Ex-MLAsing awai akhum tounabagi mahutta meeyamgi leingak ama lingnaba amatta oina hotnaminnabana achumba oiroidra?

**POLL CLOSES AT MIDNIGHT**

Yes [ ] No [ ]

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q : Anouba leingak luchingduna semninglibà partygi manungda nakpak tannaba leiribamakhei leingak semba ngamloi haibada langadra?

Yes 0% No 100%

## অস! লোইরেহে!

- মীয়াম্না মীখলদা শেল লৌদ্রদি করপসন লৈরম্লোই।



- অদুদি হায়বিনু সার, অনকন্টেক্টতা কাবা শেল চাবা মী লৈ।

## দি এম কোলেজ ওফ আর্টসনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচএনএস) :** দি এম কোলেজ ওফ আর্টসতা গ্রেদ ফোর ওইনা থবক তৌরন্বী এস দমেন্তিনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা কোলেজ অসিগী ওদিটোরিয়মদা মহাক্না মহৈশঙ অসিগীদমক কথোকপগা লোয়ননা পাঙথোক্লন্বা মথৌশিং নীংশিংদুনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অসিদা শরুক য়াখিবশিংনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা লৈখিদ্রবীগী মফমদা অৱাবা ফোঙদোকখি অমসুং মহাক্কী ইমুং-মনুংনা মায়োক্লহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়াবগা লোয়ননা মহাক্কী থৱায়না মপুগী মনাক্তা ঈংনা চিক্না লৈরুবা ওইরসনু হায়নসু থৌনিখ্রে।

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 94.373464 |
| US Dollar | 84.904427 |
| British Pound | 111.976707 |
| Australian Dollar | 54.266235 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.783034 |
| Japanese Yen | 0.573833 |
| Malaysian Ringgit | 19.753936 |
| Singapore Dollar | 64.978178 |
| South Korean Won | 0.059871 |
| Saudi Arabian Riyal | 22.641181 |
| Thai Baht | 2.536612 |

### ‘করপসন’ গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ

‘করপসন’ (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩**

## প্রসিদেন্টস রুল চলাইরকপগী...

*লমায় ১গী মখা...* ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা পিটিশন অসিগী পাউখুম এফিদেভিট ওইনা পীরক্লবা মতম পীখিবনি। অদুবু কোর্টনা লেপ্পগী মতুংইন্না এপ্রিল ১৭, ২০২৫দা মেট্টর অসি অমুক হন্না লৌখৎলকপদা সোলিসিটর জেনরেলগী মহুত্তা এদভোকেট জেনরেলনা মহাক্কী মহুত্তা লেপখিবগা লোয়ননা মহাক কোর্টতা এপিয়র তৌবা ঙমদ্রে। মরম অসিনা এফিদেভিট ফাইল তৌনবগী মতম চয়োল অনীগা অমুক হন্না পীবিনবা হায়জখিবনি।

কোর্টনসু অয়াবা পীবদগী ঙসি (মে ১৩) ফাওবগী মনুংদা এফিদেভিট ফাইল তৌরক্লবা খঙহনখিবনি। অদুবু ঙসিসু সোলিসিটর জেনরেল এপিয়র তৌখিদবদা নত্তনা এদভোকেট জেনরেলনা এফিদেভিট ফাইল তৌরক্লবগী মতম অমুক্কা মখা তানা পীবিনবা হায়জরকপদগী কোর্টনসু পীখিবগা লোয়ননা মথংগী ৱায়েল থা অসিগী ২৮দা চত্থগনি হায়খি।

অমরোমদা, প্রসিদেন্টস রুল শীংনরকপা সিভিল রিট পিটিশন নম্বর ১৫৫ ওফ ২০২৫ অসিগী ৱারোইশিন পুরক্ত্রিঙৈদা মসিগী পিটিস্নর থোকচোম সুরনা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক নোংমগী ওইনা ‘কিপ ইন অবেয়ন্স’ তা থন্বীদুনা মণিপুর এসেমব্লিগী নোংমগী ওইবা এসেমব্লি সেশন পাঙথোক্লবা দিরেক্সন পীবিয়ু হায়দুনা মিসেলিনস কেস (দব্লিয়ু পি-সী) নম্বর ৩৭৪ ওফ ২০২৫ ফাইল তৌরকখ্রে।

## এন ঈ পি-২০২০ : দেসামনা ...

*লমায় ১গী মখা...* খূৎশম্নদুনা ঙসি হায়র এদ্যুকেশনগী দিরেক্টোরেট অমসুং রাজ ভবন তম্না ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফংননবা থোমজিল্লকপদা কৈশাম্পাৎ জঙ্কশন য়ৌরকপদা পুলিসকগী মরক্তা চাউনা মূন্নখ্রে।

ক্বাকৈথেলদা লৈবা দেসামগী ময়ায় লোয়শঙদগী লাকখিবা মশীং য়াম্লবা মহৈরোয়শিংনা কৈশাম্পাৎ জঙ্কশনগী ত্রাফিক আইলেন্দ য়ৌরকপদা পুলিসনা থৎখি। অদুম ওইনমক খোঙজং অসিগী মতাংদা দেসামগী প্রসিদেন্ট ময়েংবম সোমোরজিৎনা পাউমীশিংদা হায়, এন ঈ পি-২০২০গী মতুংইন্না বি এ/বি এস সী তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী ৬শুবা সেমিষ্টরগী এগজামিনেশন লোইরগা মখা তানা তম্ফম থোক্লিবা পোলিসি অসিগী মনুং চনবা ৭শুবা অমদি ৮শুবা সেমিষ্টর তম্নবা কোলেজ করম্বনো অমসুং করম-করম্বা সবজেক্টশিংদা তমগদগে হায়বা খঙহন্দনা লাকপদগী গভর্ণর অমদি এদ্যুকেশন কম্মিস্নরনচিংবা উননবা লাকপনি। অদুবু গভর্ণর অমসুং কম্মিস্নর অনীমক রাজ ভবন অমদি মখোয়গী ওফিসতা লৈরমদবদগী হায়র এদ্যুকেশনগী দিরেক্টরগা উনরে। লোয়শঙ অসিনা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম্না হীরম অসিগী মতাংদা হান্নদগী থৌরাং তৌবদি লৈরে অদুবু কন্না খন্নরি। বি এ/বি এস সীগী ৪শুবা চহীগী কোর্স অনী ওনর্স অমসুং রিসর্চকা লোয়ননা হাংবা য়াবা কোলেজশিংদা হাংদোক্লবা হোৎনরি। থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা খঙহল্লক্লবা হোৎনগনি হায়বগী থাজবা পীরকখি। অদুবু করম্বা কোলেজ শিংদা করি সবজেক্টশিং অমদি করম্বা মখলগী কোর্সশিং হাংগনি হায়বদু মতম অসিগী মনুংদা খঙহল্লক্ত্রবদি দেসামনা মহৈরোয়শিংগা খূৎশম্নদুনা মখা তাবা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা শেম শাদুনা লৈগনি হায়খি।

হৌজিক কোসেমগী এগজামিনেশন হায়দোকখ্রবা মতুংদা মহৈরোয়শিংনা তোঙান তোঙানবা কোলেজশিংদা মিং চন্নবা হোৎনরক্লবনি অদুবু লুরিবদি কোলেজ অয়াম্বদা ওজা মশীং শুনা লৈত্রিবা অসিসু অনৌবা সেশন হৌদ্রিঙৈদা লৈঙাক্না হাপ্পীগদবনি হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

## ইরাবোত ফাউন্দেশন মণিপুরনা থৌবাল ...

*লমায় ১গী মখা...* মফম খরা য়াওনা থৌবাল নোংবালখোং, নিঙোম্বম, শাবলতোংবা অমদি মোইজিংনচিংবদা লৈবা লৌকোলশিংদা লৌমীশিংনা অঙনফৌ উরিবা লৌফম কয়া ঈশিং কংলে, থাবীরকউ হায়বগী পাউদা য়ূম্ফম ওইদুনা ঙসি ইরাবোত ফাউন্দেশন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ গোপেন লুৱাংনা লুচিংবা টিম অমনা খুদক্তা চৎতুনা দাম অসিগী ফীভম য়েংশিল্লুরে।

খোঙচৎ অসিদা লৌ শাৎপা হৌরক্লবা লৌবুকশিংদা ঈশিংগী মথৌ তারকপদা করিগীদমক মরী লৈনবা লোয়শঙশিংনা ঈশিং থিংজিল্লিবনো হায়বগী মরম খঙদোক্লবা অমদি ফাউন্দেশন অসিনা লৌমীশিংদা করি মতেং পাংবা য়াবগে হায়বদু খঙদোক্লবা দাম অসিগী ঈশিং থিংজিল্লিবা মফমশিং হকথেংননা য়েংশিল্লুবনি। মসিদা দাম অসিগী ওই থংবা মেন কেনেলগী মিটর অহুম্মুক পাকপা, মিটর অনীমুক ৱাংবা সট্টর থিংদুনা লৈরমখি। মসিনা মরম ওইদুনা লেফ্ট কেনেলনা ঈশিং পীগদবা খুল ৬৬কী মনুংদা বুম্বা খুল্লেনদা হেক্টর ৭৯.৯দা ঈশিং পীগদবা, লৈরোংথেলগী হেক্টর ১৫০.৭৩ অমসুং চন্দ্রখোংগী হেক্টর ২২৬.১৭তা ঈশিং পীরগা মথং-মথং কেনেল অসিনা ফাওরক্লগা ৬৬শুবা অরোইবা খুল ওইরিবা লৌশিপাৎকী হেক্টর ১০৭.৯গী মফমদা পীফম থোকপা ঈশিং থিংজিনবদগী লেপ্পুনা লৈরমখি।

দামদা ললা কৌবা ওফিশল অমগা উনদুনা ৱারী শাবদা এগজিক্যুটিভ ইঞ্জিনিয়রনা থা অসিগী ৩দগী থিংজিল্লু হায়রকপদগী থিংবনি হায়রকখি।

মহাক্কী মোবাইল ফোনদগী ফাউন্দেশনগী প্রসিদেন্টগা ৱারী শাবদা দ্রোপ ফোল অমা রিপ্যারিং তৌবগীদমক থিংবনি, নুমিৎ ১৫নিদি ঈশিং থাবা ঙমখিরোই হায়রকখি।

অদুবু দ্রোপ ফোল শেমজিল্লিবা মফম থিদুনা খ্বারোক লম্বী থোং, কেক্রুগী মখাদা দ্রোপ ফোল শেমজিন শাজিনবগী থবক চত্থরমখি। মফম অদুদা থবক শূরিবশিংগা ৱারী শানবদনা থবক লেপ্লকপা নুমিৎ ২/৩নি শুরে। লেপ্লমদ্রবদি খুমাঙ চাওশিল্লমগনি হায়রকখি।

করিগীদমক থবক লেপ্লিবনো হায়না হংবদা থবক শূবা য়ানি-য়ারোই হায়দুনা য়েৎনবা লৈবদগীনি হায়রকখি।

এগজিটিভ ইঞ্জিনিয়রগা ৱারী শানবদদি হায়রকখিদে। মরম অসিনা ফাউন্দেশনগী টিমনা থবক শূফম অদু কেনেলদগী করম্বা মফমনো অমসুং কয়াম কুইনা চঙগনি হায়না য়েংশিনবা পাম্বদগী কোইথি থিরুবনি অদুবু দ্রোপ ফোল রিপ্যারিং তৌবগী থবক লেপ্লম্বগা লোয়ননা লৌমীশিংনা লৌ উদুনা অঙনফৌ শাৎলকপা মতমদা ঈশিং থিংজিনবা ওইরমখি হায়রি।

থবক শূবদা য়েৎনবগী মরম্না ৱার্ক ওর্দর পায়/পায়দে অমসুং ক্বালিটি কন্ত্রোল মেন্টেন তৌই/তৌদে হায়বগী মতাংদনি হায়না থবক শূফমদা লৈহৌবা মীওই খরনা ফোঙদোরকখি।

মরম অসিনা ফাউন্দেশনগী খোঙচৎ অসিগা থবক শূবা থিংবা/থিংদবগা মরী লৈনদে অদুবু হৌজিক অঙনফৌ উদুনা শাৎপা হৌরক্লবা মতমদা ঈশিংগী মথৌ তারকপা হৌরকপনা দাম অসিগী কেনেলদা অয়েৎপা লৈতনা ঈশিং থাদুনা চেলহনবীয়ু অমসুং লৌবুকশিংদা য়ৌহন্দুনা লৌমীশিংদা মতেং পাংবীয়ু হায়নীংই হায়রি।

চিরবা তানফমসিদা ঐখোয় মশেল তাথোক-তাশিন তৌনদুনা অৱাৎ অপা লৈহন্দনবা মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌমিন্নসি। ৱাখল তামিন্নদবা খরদগী লৈবাক মীয়াম মরু ওইনা লৌমীশিংবু অৱাবা পীগনু। লৌমীশিংগীদমক ইরাবোত ফাউন্দেশন মণিপুরনা মতম চূপ্পদা খোঙফম হন্দোক্তনা লেপখিগনি হায়নসু ফাউন্দেশন অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

## বি এস এফ কন্সটেবল ...

*লমায় ১গী মখা...* ফিরালনা কুপ্তুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। অদুগা গভর্ণরনা লুচিংদুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা লৈ কৎখি। এয়রপোর্টতা পাঙথোকপা মহাকপু ইকায়খুম্নবা উৎপগী থৌরমদা সিভিল অমসুং পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিশলশিং, বি এস এফকী য়াওনা আর্ম ফোর্সকী ওফিশলশিং অমদি লৈখিদ্রবা চীংঙাখম দীপককী অপোকপী য়াওনা ইমুংগী অমদি লৈকায়গী মীওইশিং, মহাক্না তিন্নরম্বা মরুপ-মপাং কয়ানা শরুক য়াদুনা মহাক্কী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎখি। থৌরম অসিদা আউটরগী এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজম অমসুং তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবশিং অমদি এম এল এশিংসু শরুক য়াখি। মহাক্কী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং য়ৌরকপদা মহাক্কী অপোকপী ইবেমহলনা মচানুপা অহলবু তেংথাদুনা কপখ্রবসু মীয়ামগীদমক থৱায় থাদোকখিবা ইচাগী থৌনাবু থাগৎলি, ইচাগী পূন্সিবু ইমানা থাগৎলি হায়না মহাক্কীদমক চাউথোকচবা ফোঙদোকখি।

বি এস এফকী ইন্সপেক্টর জেনরেল ইন্দ্র দিও সিংহনা ফোঙদোকখিবদা লৈখিদ্রবা দীপক মথৌনা মরিংজেল লৈবা সিফাইনি। মহাক্না পাকিস্তানগী মায়োক্তা থৌনা লৈনা থেংনদুনা মথৌ পাঙথোকখিবা অদুগীদমক চাউথোকচৈ। মহাক্না লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখিবসিদা অৱাবা তাহৌরবা মহাক্কী ইমুং মনুংগীদমক বি এস এফনা লেপ্লি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, বি এস এফকী ওইনা লৈরিবা প্রোভিজনগী মতুংইন্না কম্পেন্সেটরি এপোইন্টমেন্ট পীগদবনি । মসিগী মতুংইন্না দীপককী মনাওনুপাবু বি এস এফতা রিক্রুট তৌবা য়াগনি অমদি থবক অসিমক বি এস এফনা পাঙথোক্কনি হায়খি। মহাক্না লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখিবা অসি বি এস এফকী মায়কৈদগী চাউথোকচৈ অমসুং মীয়াম্নসু কাউবা ঙম্লরোই হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দানা হায়, এপ্রিল ২২গী পহলগাম টেরর এটেককী মতুংদা ইন্দিয়ানা চত্থখিবা ওপরেশন সিন্দুরদা মণিপুরদগী ইচা অসিনা লৈবাক্কীদমক লান থেংনদুনা থৱায় ফাওবা কৎখিবা অসিগীদমক য়াম্না চাউথোকচৈ। মহাক্কী ইমুং মনুংগী অৱাবা মতমসিদা ঐখোয়গী মায়কৈদগীসু শরুক য়াজরি। মহাক্কী থৱায়নসু ঈংনা চিক্না লৈরুনবা মপুদা থৌনিজরি হায়খি। তুংদা দীপককী হকচাং এয়রপোর্টতগী মহাক্কী ময়ূম তান্না পুদুনা অমুক হন্না মপূং ফাবা ইকায়খুম্নবা উৎলবা মতুংদা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখি। এয়রপোর্টতগী মহাক্কী ময়ূম ফাওবগী লম্বীগী শরুকশিংদা মীয়াম্না লম্বীগী নাক য়েৎতা অঙাংবা লৈশিং পায়দুনা ঙাইদুনা লৈরম্লগা মহাক্কী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। বি এস এফকী পর্সনেলশিংনা অরোইবা ওইনা মহাক্কী মফমদা গন সেল্যুট পীরবা মতুংদা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখি।

## বিষ্ণুপুর রিলিফ কেম্প : মহৈরোয়...

*লমায় ১গী মখা...* মখোয়গী অহল-লমন অমসুং ওজাশিংবু হরাওনা থাগৎলকখি। খুমুজাম্বা মীতৈ লৈকায়দগী লাঞ্জেল্লকখিবী নোংমাইথেম পান্থোই (১৬) (অপোকপা বোয়াই অমদি অপোকপী ইবেমচা) না মেথমেটিক্স, থাঙ-তা অমসুং ইংলিসতা লেট্টর মার্ক ফংলকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী স্কুলগী ওজাশিংবু থাগৎপা ফোঙদোরকখি।

চুড়াচান্দপুর খুগা তম্পাক্তগী লাঞ্জেল্লকখিবা অলেক্স হাওবিজম (১৬) অপোকপা বিরলা অমসুং অপোকপী সুনিতা) না ইংলিস অমদি হোম সাইন্সতা লেট্টর মার্ক ফংলকপদা মহাক্কী ওজাশিং, মরুপ-মপাংশিংদা থাগৎপা ফোঙদোরকখি।

চুড়াচান্দপুরগী দি ফাইলেন মীতৈ লৈকায়দগী লাঞ্জেন্নরকখিবী কে এস ঐচ হেন্থোইলেম্বী (১৬) (অপোকপা রবিচন্দ্র অমদি অপোকপী বোনি) না মেথমেটিক্স অমসুং হোম সাইন্সতা লেট্টর মার্ক ফংলকপদা রিলিফ কেম্প কম্মিটিগী মীহুৎশিং অমদি ফী লৌদনা লাইরিক তমহনবীরকখিবা স্কুলবুসু থাগৎপা ফোঙদোক্তুনা মায় পাকপা ঙম্লকখিবনি হায়রকখি।

চুড়াচান্দপুরগী মান্দব লৈকায়দগী লাঞ্জেল্লকখিবী সিন্দি কোঞ্জেংবম (১৫) (অপোকপা রোমেস অমদি অপোকপী পুর্নিমা) না মেথমেটিক্স অমসুং হোম সাইন্সতা লেট্টর মার্ক ফংলক্লিবা অসি মহাক্কী স্কুলগী প্রিন্সিপালনা হোৎনবীবদগীনি হায়না ফোঙদোরকখি।

তোরবুং গোবিন্দপুরদগী লাঞ্জেল্লকখিবা কেন্নেদি অঙোম (অপোকপা মনিস্না অমদি অপোকপী প্রেমলতা) না ফোঙদোরকপদা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা ইমা-পাবুংনা ট্যুশন থাবীবা ঙমদ্রবসু স্কুলগী প্রিন্সিপাল অমদি ওজাশিংনা চেকশিন্না হোৎনবীবগা লোয়ননা কেম্পকী কম্মিটিগী মীওইশিংনা য়েংশিনবীবদগী মায় পাক্লকখিবনি হায়না ফোঙদোরকখি।

রিলিফ কেম্প অসিগী কম্মিটিগী মেম্বরশিংনসু মহৈরোয় ৮না মায় পাক্লকপদা হরাওবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মখোয়না লাইরিক মখা তমথবদা তঙাইফদনা চঙলিবা দোক্যুমেন্টশিং তান্থোকপীদুনা মখোয়গীদমক শেম শাদুনা লৈরে হায়না ফোঙদোরকখি।

## সনাতোম্বীগী হকচাং লৌখ্রে

**ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৮গী অহিংদা হৈঙাং পি এসনা কোল্লিবা ৱাইতোন ময়ায় লৈকায়দা লৈরম্বী হিদম নিঙোল আর কে ওংবী সনাতোম্বীনা ময়ূমগা ইরাপ লাপ্পদনা লৈবা দুকান অমগী মনুংদা চিংননীংঙাই ওইবা মওংদা থৌরী য়ান্দুনা শিরম্বা থৌদোক্তগী জে এ সী অমসুং ইমুংনা মহাক্কী হকচাং লৌশিন্দনা লৈরকখিবদু থৌদোক অসিগী মতাংদা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা মপুরোইবা রিসিকান্ত অমদি মনেম্বোক মায়পাকপীবু থা অসিগী ১১দা পুলিসনা ফাখিবদগী মহাক্কী হকচাং লৌদুনা লংদুম ময়ায় লৈকায়দা লৈবা মহাক্কী মপামদা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, লৈখিদ্রবী সনাতোম্বীগী থৌদোক্কী মতাংদা পুলিসনা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা ফাগৎখিবা মহাক্কী মপুরোইবা অমসুং মনেম্বোক মরী লৈনবা কোর্টতা পুথোক্লবা মতুংদা নুমিৎ হুম্নিগী কষ্টদি রিমান্দ লৌখ্রে হায়রি।

## এন ঐচ-১০২ : লম্বীরা ...

*লমায় ১গী মখা...* লম্বীদা তুংবা ঈশিং দ্রেনদা চেন্থগদবা অদুসু দ্রেনশিং অদু হান্না থন্দুনা লৈরবনিনা ঈশিং চেন্থবা ঙমদ্রে। মসিগী মহুত্তা লম্বীরোমদা ঈশিং মৌখৎলক্লে।

থৌদোক অসি হান্না ককৱা অসেম লৈকায় অমদি শীংজমৈ ময়েংবম লৈকায় এরিয়াগী শরুকশিংদা থোক্লম্বদগী মরী লৈনবা লোয়শঙনা নুঙচাক হৈজিন্দুনা শেমখিবদগী হৌজিকপুদি ফরে। অদুম ওইনমক থোংজু পার্ট টুগী পেচু লম্পাক্তগীনা এম য়ুগী ফর্ষ্ট গেট ফাওবগী মরক্তা লৈরিবা শরুকশিংদি হৌজিকসু নোং খজিক্তং চুবগা খূৎশেমগী ঈচাও তোয়না থোক্তুনা হায়ৱে অসিগী নাক য়েৎতা দুকান ফম্লিবশিং য়াওনা অচৎ অওকশিং খুদোংচাদবা মায়োক্নরে। হায়ৱে অসি পাকপা খক্তা নত্তনা নোংমদা মখল কয়াগী গাড়ী লিশীং কয়া চৎথোক চৎশিন তৌরিবনি।

লম্বী অসি পাক্লবসু ময়ায়দা মেদিয়ন লৈবনা নাকল অমদা ঈশিং থুমজিল্লকপদগী মেদিয়নগী নাকল অমদা চৎথোক চৎশিন তৌনরকপনা অথু-অকায় নংদ্রে অমসুং ত্রাফিক জাম থোকহল্লে।

ফীভম অসিগী মতাংদা পি দব্লিয়ু দিগী ওফিশল অমগা শানখিবা ৱারীদা মহাক্না হায়, হান্নদি হায়ৱে অসিগী শীংজমৈদগী কাঞ্চিপুর ফাওবগী ঈশিং তুরেল অমনবীদা চিথরগা চেলহল্লম্বনি। অদুবু তুরেল অসিসু মতম শাংনা শেংদোকপীদবদগী থেনগৎলক্লে। ককৱাপাৎ অসিসু রিং বন্দ তৌশিনখিবদগী হান্না ঈশিং নীংথিনা চেল্লম্বা অদুসু চেনবা ঙমদ্রে। হায়ৱে অসিগী নাক য়েৎতা লৈরিবা দ্রেন অনী অসি লম্বীদা তারকপা ঈশিং চেনখিগদবনি। অদুবু দ্রেন অনীমক্তা অমোৎ অকায়, প্লাষ্টিক বোট্টল অমদি ফত্ত-হৌদিশিং থাদনরকপনা দ্রেনশিং অসি থনগৎলক্তুনা ঈশিং চেনবা ঙমদবনি। মরম অসিনা নোং কন্না চুরকপা মতমদদি হায়ৱে অসিদা ঈশিংনা থুমজিল্লকপনি হায়রকখি।

অদুবু নেশনল হায়ৱে ওইবনা লম্বী অসিগী ‘দিফেক্ট লাইফ’ কী মতম অসি চহী ৫নি। হায়রিবা মতম অসি লোইদ্রিবা ফাওবদি অনৌবা লম্বী অসিবু শেমজিন শাজিন্নবগীদমক সেঙ্কসন তৌরকপা ঙমদে হায়রক্লে ফোঙদোরকখি।

পি দব্লিয়ু দিগী মায়কৈদগীদি ব্লেক টোপিং অসিগী মথক্তা হ্বাইট টোপিং কনক্রিট ওন্থোকপীরো হায়দুনা মিনিষ্ট্রি ওফ হায়ৱেজদা প্রপোজেল কয়া থাখ্রে অদুবু সেঙ্কসনদি তৌরক্ত্রি। অদুম ওইনমক হৌজিক ঈশিং থুমজিল্লে হায়রিবা মফমশিং অসি দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিং থারগা য়েংশিল্লগনি। পি দব্লিয়ু দিনা পুরিবা অসিদি রোদ সাইদকী দ্রেন খক্তনি। হায়বদি লম্বীদগী চেন্থরকপা ঈশিং দ্রেনদা চেন্থহনখিবা খক্তনি। অদুগা ইরম-নালাগী মতাংদনা ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্টনা তৌগদবনি। মখোয়নসু তুরেল অমনবীগী মরীল শেংদোকপীরবদি ঈশিং ময়েং তাখিগনি হায়রকখি।

অমরোমদা, শীংজমৈ ময়েংবম লৈকায়, ময়ায় লম্বীগী পিশুম থোং এরিয়াদগীনা ৱাহেংবম লৈকায় ফাওবদা লৈরিবা পোটহোলশিংসু অথুবা মতমদা মেনশিন্নবা থবক পায়খৎলগনি হায়না পি দব্লিয়ু দিগী ওফিশল অসিনা ফোঙদোরকখি।

## CONDOLENCE



We express our deepest sympathy on the untimely demise of Leimapokpam Bipinchandra, Driver of District & Sessions Court, Bishnupur.

We extend our heartfelt condolence to the members of the bereaved family and may the soul rest in peace.

**All Manipur Judicial Employees' Association**

HL-P/2045/14


# SACRED HEART HR. SEC. SCHOOL POROMPAT

**OPPOSITE D.D.K., IMPHAL**
(Recognised by the BOSEM & COHSEM)

## ADMISSION OPEN
**FOR CLASS XI (SCIENCE & ARTS) 2025-26**

*100% pass percentage in the Higher Secondary Examination 2025 (Arts & Science)*

*Direct Free Admission for the first 50 students for both Arts and Science (upto 31st May 2025 only).*

*Special facilities:* * Extra classes and study materials for NEET/JEE aspirants

1. CGPA 8.5 and above → Free Admission Fee + Tuition Fee+ Notebooks + School Bag.
2. CGPA 8 to below 8.5 → Free Admission Fee + Free 1st Instalment Tuition Fee + Notebooks + School Bag.
3. CGPA 7 to below 8 → Free Admission Fee + Notebooks
4. CGPA 6.5 to below 7 → Free Admission Fee
5. CGPA 5.5 to below 6.5 → Half Admission Fee

# Smart Class powered by Tata classedge
# Separate Hostel for boys and girls.
# Special Concession of School Bus Service

Admission forms are available at the school office or from the school website www.sacredheartimphal.in

FOR DETAILS, PLZ. CONTACT THE SCHOOL OFFICE DURING OFFICE HOURS (9AM TO 1PM)

HL-P/2019/13,14,15



# CONCEPT TUTORIAL

THANGMEIBAND MEISNAM LEIKAI OPP THAU GROUND

## 1 YEAR ACHIEVER NEET COURSE

FOR 12 PASS OUT STUDENTS

CLASS STARTING FROM 19TH MAY 2025

PROVIDING THE BEST NOTES IN IMPHAL CITY

FREE 30 BOOKLETS + 27 TEST SERIES FROM KOTA

SEPARATE HOSTEL AVAILABLE FOR BOTH BOYS & GIRLS

8794728538 / 8794303740

6 MONTHS FOUNDATION COURSE

CLASS 11 SCIENCE

BOTH CBSE & MANIPUR BOARD

NEW BATCH STARTING FROM 19TH MAY 2025

HL-B/8471/22 April to 22 May



# COMET SCHOOL

A Co-Educational Higher Secondary School
Changangei Uchekon near Tulihal Airport, B.P.O. Tulihal - 795140

## ADMISSION OPENS FOR CLASS-XI (Sc.) 2025-26

### ENTRANCE TEST DETAILS

- Date and time of Entrance Test : 14th May 2025, (Wednesday) at 9:00 a.m.
- Venue of the Entrance Test : COMET SCHOOL.
- Last Date & Time of Form Issue & Submission: 06:00 am to 08:00 am of 14/05/2025 (Wed)

**Eligibility Criteria** : Students who passed / appeared Class-X or equivalent examinations, 2025.
**Entrance Test** : MCQ Test for 100 marks based on Class-X Syllabus (Eng, Phy, Chm, Bio, Mth). The duration of the examination is 1 hour.

### DIRECT ADMISSION WITH BENEFITS (Seats are limited on first come first serve basis)

**CATEGORY 1** : CGPA 9.8 to 10 in the Board examination, (BOSEM) 2025.
Benefits : *Free Admission, tuition fee and bus service for Class XI & XII, One-time free School Uniform excluding blazer and track suit. Scholarship package (Rs. 5,000/- per month) for 2 years.*

**CATEGORY 2** : CGPA 9.5 & above but below 9.8 in the Board examination, (BOSEM) 2025.
Benefits : *Free Admission, tuition fee and bus service for Class XI.*

**Category 3** : Students who had secured CGPA 10 with (A1) Grade points in all the Subjects or 1st to 25th Rank / 90% and above in any Equivalent Exam, (CBSE & Other Boards) 2025.
N.B. : *(CBSE & Other Boards): Selection is based on the student's ability to pass the individual test, failing which they can get direct admission without benefits.*
Benefits : *Free Admission, tuition fee and bus service for Class XI.*

*Where excelling is the way of life..*

Sd/-
Principal,
COMET SCHOOL

HL-B/9539/14